## ‘গভর্ণমেন্ট স্কুল মুংকদৌরে’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা কুম্বী এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী তোর্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী ফৌগাকচাও ইখায় মখা লৈকায়দা লৈবা লমদম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইরিবা গভর্ণমেন্ট এদেদ এল পি স্কুল মুংখিগদৌবগী ফীভমদা লৈরে।

হায়রিবা গভর্ণমেন্ট এদেদ এল পি স্কুল অসিগী ফীভম শোকচিল্লকপদা নত্তনা স্কুল অসিদা মহৈরোয় অমত্তা তম্লত্তবা চহী ৫/৬ হেল্লক্লে হায়রি। হৌজিক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরবু অতৈ ষ্টেটশিংদগী মহৈ-মশিন্দা মীথোই মীহেনবা লমদম অমা ওইহন্নবা অমদি গভর্ণমেন্টকী লৈরিবা মহৈ তম্ফমশঙশিং মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবনি হায়না লাউরবসু হায়রিবা লমদম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা গভর্ণমেন্ট অসি মতম কুইনা য়েংশিনবীরক্তবগী মমি চাউনা তাবা থেংনরে। স্কুল অসিগী অৱাংবথংবা শরুক্কী ফক্লাং কিন্থুরে। স্কুল অসিদা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্লত্তবা চহী য়াল্লকপদা নত্তনা স্কুল অসিগী লৈফম থোকপা টেবল, চৌক্রিনচিংবা মখল অমত্তগী ফর্নিচরনচিংবা অমত্তা লৈবা থেংনরকখিদে। অদুম ওইনমক লমদম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা স্কুল অসিদা মতম মতমগী লাকপা মীখলদদি গভর্ণমেন্টকী স্কুল অমা লৈরি হায়দুনা পোল্লিং ষ্টেসন ওইনা শীজিন্নরি। লায়রবা, শু-নোল্লগা চাজবা লমদম অসিগী ইমুংশিংগী অঙাংশিংদি মহৈ-মশিন তমহন্দবদি য়াদবনিনা মনাক নক্লা লৈবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ৱারবসু ৱানা থাদুনা মহৈ তমহন্নরি।

লমদম অদুগী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, স্কুল অসি মখোয়না ময়ুম মকৈ পান্দ্রিঙৈ চহী ৫/৬কী মমাঙদদি ফজনা চলাইরম্মী। হৌজিক ওইরিবা স্কুল অসিগী ফীভম অসি গভর্ণমেন্টঅমসুং মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবা ৱাৎপনা শোয়দনা ওইগনি। প্রাইভেট স্কুলশিংদা তঙাইফদনা মহৈ থারিবা অঙাংশিংগী স্কুলগী ফি থিনবা হোৎনবদা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি হায়না ফোঙদোক্নরক্লি।

**GAS TODAY**

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto:20/01/2017
Valid From :03/01/2017
*Stk :612*
Timing:07:00am -10:00am
*(Pls submit Aadhaar xerox)*

**HARAN VALLEY KWAKTA**
Booking Upto:30/09/2016
Valid From : 25/09/2016
*Stk :306*
Timing:07:30am -10:30am

**HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE**
Booking Upto:30/01/2017
Valid From : 25/01/2017
*Stk :306*
*(Aadhaar Link Consumers Only)*
Timing:07:30am -10:30am

**JEMON GAS SERVICE MAYANG IMPHAL**
Booking Upto:29/10/2016
Valid From : 09/09/2016
*Stk :918 (DBTL)*
Timing:07:00am -11:00am

**KHONGNANG GAS AGENCY BISHNUPUR**
Booking Upto:31/09/2016
Valid From : 07/09/2016
*Stk :612*
Timing:07:30am -11:30am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:18/12/2016
Valid From : 24/11/2016
*Stk:612 (DNSC & CTC)*
Timing:07:30am --12:00noon

**LAMBODARA INDANE**
Booking Upto:10/02/2017
*Stk:270*
*Stk:19kg:24*
Timing:07:30am -10:00am

**MAIBIA GAS, MOIRANG SI No.:7560**
Booking Upto:09/01/2017
Valid From : 29/12/2016
*Stk:306*
Timing:07:00am -11:00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:01/01/2017
Valid From : 22/12/2016
*Stk:612 (DBTL)*
Timing:07:30am -09:30am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:15/01/2017
Valid From : 05/01/2017
*Stk:306 (CTC & DNSC)*
Timing:10:00am -01:00pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:08/02/2017
Valid From : 20/01/2017
*Stk:612*
Timing:07:30am -11:00am

**RBD INDANE SERVICE**
Booking Upto:07/02/2017
Valid From : 14/01/2017
*Stk:612*
Timing:06:00am -10:00am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:12/01/2017
Valid From : 22/12/2016
*Stk:306*
Timing:07:00am -10:00am
*(Cashless Payments through POS introduced)*

**PATSOI INDANE SERVICE**
Booking Upto:24/02/2017
Valid From : 21/02/2017
*Stk:306 (DBTL)*
Timing:08:00am -11:00am

**HEIROK INDANE SERVICE**
Booking Upto:13/02/2017
Valid From : 18/01/2017
*Stk:306*
Timing:07:30am -11:30am

# পার্লিয়ামেন্টতা ডা. মৈন্যনা কম্যুনিটি রেদিও সার্ভিসকা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যনা মণিপুরদা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসনশিং লিংখৎপগা মরী লৈননা সপ্লিমেন্টরি ক্বেসন পুখৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি ৩০ রোমগী মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা লোল কয়া ঙাঙলিবা লমদম অসিদা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন কয়া লিংখৎপগী তঙাইফদবা ৱাফম থল্লদুনা কম্মর্সিএল অমসুং পব্লিক ব্রোদকাষ্টিংগী মথংদা অহুমশুবা ব্রোদকাষ্টিংগী মোদেল ওইরিবা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসনশিং শেমগৎপগা মরী লৈননা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কর্নেল রাজ বর্দন রাথোরনা হায়খি, অৱাং নোংপোক লমদমগুম্বা মফমশিংদা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন শেমগৎনবা চাদা ৭৫ দগী ৯০ ফাওবা গ্রান্ট ওইনা পীরি। অসিগুম্বা শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা লাখ ৭.৫ ফাওবগী মতেং ফংবা য়াগনি। কুমজা ২০১৭ দগী ওল ইন্দিয়া রেদিওনা শন্দোক্লিবা ন্যুজশিং কম্যুনিটি রেদিওদা শন্দোকপা য়াহনখ্রে। মসিনা লৈবাক অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অদু মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্লগনি। মসিগা মরী লৈননা মীনিট মঙা এদভর্টিজ তৌবগী অয়াবা পীরম্বা অদু মীনিট তরেৎতা হেনগৎলে। লোয়ননা কম্যুনিটি রেদিওদা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্পোন্সর প্রোগ্রাম কয়াসু শন্দোকপা য়াহল্লে। কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন লিংখৎনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স অমদি অতোপ্পা মিনিষ্ট্রিদগী অয়াবা লৌবগী মথৌ তাহন্দ্রে।

ইন্টর মিনিষ্টরিএল কম্মিটি অমনা লৌরকপা ৱারেপকী মতুংইন্না য়ারিবমখৈ থুনা লাইসেন্স পীরি। প্রাইভেট ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা এন জি ওশিংনা এপ্লিকেসন পীশিল্লক্লবদি য়ারিবমখৈ থুনা থা ৩ গী মনুংদা লাইসেন্স পীনবা হোৎনরি।

ডা. থোকচোম মৈন্যনা মখা তানা অনীশুবা সপ্লিমেন্টরি ওইনা হংলকপা ৱাহং পাউখুম পীরদুনা কর্নেল রাজ বর্দন রাথোরনা মখা তানা হায়খি, কম্যুনিটি রেদিওগা এফ এম ষ্টেসনগা খেন্নবা খরা লৈগনি। কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসনশিং অসিদি নন-প্রোফিট ওইনা লৈগনি অমদি প্রাইভেট এফ এম সেন্টরশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈগনি। কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসনশিংনা ৱার্কশোপশিং, রিজনল সম্মেলনশিং অমসুং নেসনল সম্মেলনশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা শন্দোকপগী লাইসেন্স পীরি। মসিনা কম্যুনিটি রেদিওগী খুত্থাংদা মীয়ামদা লায়না ৱাখল তাহনবা ঙমগনি। মসিগীদমক্তা কম্যুনিটি ষ্টেসনশিং লিংখৎপদা গ্রান্ট পীবগী শেনফম হেনগৎহল্লিবনি। মদুগী মথক্তা কম্যুনিটি ষ্টেসনশিং মশানা মরোমদোম হিংজবা ঙম্নবা এদভর্টিজমেন্টশিং অরায়বা মওংদা হেন্না ফংবা ঙম্নবা থৌরাংসু হোৎনরি হায়রি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন ২০৬ হেন্না লৈরিবসি অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনবদা মশীং য়ামদে হায়না ডা. মৈন্যনা মহাক্কী ওইবা মোত ফোঙদোকখি।

# অৱাং নোংপোক্তা রেল লম্বী য়ৌহনবদা এঞ্জিনিয়রশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি

অগরতালা, এপ্রিল ০৫ : অৱাং-নোংপোক্কী চীংলক্তা রেল লম্বী শেম্বদা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর) না শীংনবা অমদি খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি হায়না মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিস্নর ওফ রেলৱে সেফটি (সী আর এস) সাইলেশ কুমার পাথকনা হায়খি, চহী ১ গী মনুংদা এন এফ আরনা শুপ্পগী থা ৪ দগী ৫ ফাওবদং থবক শূবা ঙম্মী। রিজন অসিদা মার্চতগী হৌরগা ওক্টোবর ফাওবা নোং চুবা মরম্না রেল লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্কে।

নোংজু পন্থা ওইরিবা জুনদগী সেপ্টেম্বর ফাওবদি মফম কয়াদা তোয়না লেন্দস্লাইদ থোকপা মরম্না অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। থবক শূনবগী মতম শাংনা ফংদবনা রেলৱে এঞ্জিনিয়রশিং অমদি শিন্মীশিংদা খ্বাইদগী চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লি।

পাথকনা হায়খি, ইন্দিয়াগী ময়োল লমদমদা সিঙ্গল লাইন ট্রেক কিলোমিটর ১ শেম্বদা লুপা ক্রোর ৭ চঙই। দবল লাইন ট্রেক শেম্বদনা লুপা ক্রোর ১০ চঙই। অদুবু তোঙান-তোঙানবা মরম কয়াদগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা রেল লম্বী শেম্বদা শেল কা হেন্না চঙলি।

নোর্থফ্রন্টিয়র রেলৱেগী এঞ্জিনিয়র অমনা হায়খি মদুদি, অৱাং-নোংপোক্তা চীং-তুরেল কয়ামরুম লৈবা মরম্না ময়ায় ওইরপ্পা অমদি অচৌবা থোং লোয়ননা টনেল কয়া শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ। জিরিবামদগী তুপুল ফাওরগা ইম্ফাল য়ৌগদবা কিলোমিটর ১১১ শাংবা রেল লম্বী শেম্বগী শরুক অমা ওইনা কিলোমিটর ১১.৫৫ শাংবা টনেল অমা শেমগৎপা হোৎনরি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রেলৱেজ রাজেন গোহেন্না কুমজা ২০২০ ফাওবগী মমাঙদা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী কেপিটেল পুম্নমক শম্নহল্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

লমদম অসোমদা লৈরিবা মিটর গ্বেজগী রেল লম্বী পুম্নমক ব্রোদ গ্বেজদা ওন্থোকপগা লোয়ননা খা থংবা আসামগী করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্তা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা বরাইগ্রামদগী দুলাবচেরা ফাওবা কিলোমিটর ৩০ শাংবা মিটর গ্বেজগী শরুক ব্রোদ গ্বেজদা ওন্থোকখ্রে। চহী কয়া লৈরক্লবা মিটর গ্বেজ রেলৱে ট্রেক অসি অৱাং-নোংপোক এরিয়াদা পুৱারী ওইখ্রবনিনা সেন্ট্রেল আসামগী নাউগোংদা ইন্দিয়ন রেলৱেনা রেল ম্যুজিয়ম অমা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

## রামনবমী অমসুং হোলি ফেষ্টিবেল পাঙথোকখ্রে




ককচিং, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর কলচরেল দিভলপমেন্ট ফোরম (এম সী দি এফ) ককচিংনা চহী লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা লাকপা রাম নবমী থৌরমগা লোয়ননা হোলি ফেষ্টিবেল অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা ককচিং ৱাইরি কোঙ্গোই মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

রাম নবমী থৌরমগা লোয়ননা হোলি ফেষ্টিবেল হৌদোক থৌরম অদুদা মোইরাংথেম ইনাকখুনবী, কাউন্সিল্লর ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অথোইবা মীথুং, নাওরেব বিরেন্দ্রকুমার, প্রসিদেন্ট এম সী দি এফ, ককচিং অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম মাইপাক, ভাইস-প্রসিদেন্ট এম সী দি এফ, ককচিং অনীনা থৌরম মপুশিং, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর এম মেমচা অমসুং নিংথৌজম মেমী অমসুং ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ মেম্বরশিংনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা হোলি ফেষ্টিভেলদা ককচিং অমসুং ককচিংগা থংননা লৈবা মফমশিংদগী লাকপা হোলি পালা কাঙলুপ ২০ গী হোলি পালাশিং উৎখিবা থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল এম সী দি এফ, ককচিংগী সেক্রেটরি নাওরেম চন্দ্রমণিনা পীখি।

## তরাম্না ওকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা লৈবা বিষ্ণুপুর জে এন ভিদা পাঙথোকপা ডা. রাজ ফানদেনবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদুদা এল্লুমনি এসোসিয়েসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কেঐচ হিলারি, ট্রেজেরর টিঐচ দিনাকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি এল ব্রোজেন য়াওনা এল্লুমনিগী মরুওইবা থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

তরাম্না ওকপা থৌরমদুগা মরী লৈননা জে এন ভি এল্লুমনি এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল ব্রোজেন্না হায়খিবদা, ডা. রাজ ফানদেন হায়বসি জে এন ভি হরায়ানাদা তম্লকখিবা অদুগা অয়ুরভেদিক্তা দোক্তরেট ফঙলবা অমনি। দাক্তর অসিনা মালেমগী পামবীশিং য়োকখৎনবা গ্রীন জর্নি ওফ গ্লোব হায়বা থিমদা সাইকলনা কিলোমিটর ১১,০০০ চৎলবা মতুংদা ঙসি মণিপু য়ৌরকখিবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১৬ অমদি শ্রীলঙ্কা য়াওনা চৎলুবা মতুংদা ঙসি মণিপুরদা লাকপদা জে এন বি বিষ্ণুপুরগী এল্লুমনি এসোসিয়েসন্না মহাক্কী খোঙচৎপু তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখি। লাক্লিবা কুমজা ২০২৬ ফাওবগী মনুংদা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চৎতুনা অপুনবা কিলোমিটর লাখ অনী চৎতুনা গ্রীন গ্লোবকী পাউজেল পীগদৌরি।

## নুমীৎ ৪ নি চত্থগদবা এম আই টি ৱিক হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা মণিপুর ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, তাকয়েলপাৎকী নুমীৎ মরিনি চুপ্পা চত্থগদবা এম আই টি ৱিক হৌদোকখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা অথোই অহেন তান্নখ্রে।

কুমজা ২০১৪ দগী লেপ্তুনা চত্থরকখিবা এম আই টি ৱিক ২০১৭ হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার অদ্য প্রসান পান্দেনা চীফ গেষ্ট, ইনষ্টিট্যুট অসিগী প্রসিদেন্ট আর কে মেমকুমারনা প্রসিদেন্ট অমসুং টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী কন্ট্রোল্লর ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থা অসিগী ৪ দগী এম আই টি কেম্পস, তাকয়েলপাৎতা হৌদোকখিবা নুমীৎ মরিনি চত্থগদবা এম আই টি ৱিক্কী নীনি চনবা নুমীৎ ফাওবদা মহৈরোয়শিংনা হিরম কয়াদা অথোই অহেন তান্নখি। মতুং তারকপদা স্পোর্টস, লিটরেচর, এক্সত্রা কেরিক্যুল্লর এক্টিভিটিশিংদসু অথোই অহেন তান্নগনি। ঙসি নুপা অমসুং নুপাগী চেস মশান্নগী অথোই অহেন তান্নখি। নুপাগী কাঙলুপতা কম্প্যুটর সাইন্স ইঞ্জিনিয়ারিংদা সেকেন্দ সেমিষ্টর তম্লিবা সী ঐচ মনোজকুমারনা অহানবা, ইলেক্ট্রোনিক কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়ারিংদা আইট সেমিষ্টর তম্লিবা এ কে রোমারিওনা সেকেন্দ অমসুং ইলেক্ট্রোনিক কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়ারিংদা অনীশুবা সেমিষ্টর তম্লিবা ব্রেনি রাজকুমারনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী চেস মশান্নদা কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়ারিংদা ফোর্থ সেমিষ্টর তম্লিবী লৈয়ারোন ভরামনা অহানবা, কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়ারিংদা সেকেন্দ সেমিষ্টর তম্লিবী ঐচ প্যুননা অনীশুবা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়ারিংদা আইথ সেমিষ্টর তম্লিবী এন লিঙ্থোইঙানবীনা অহুমশুবা তাখি। টেবল টেন্নিস মশান্নদা মেন্স সিঙ্গলদা গুন্দনানা অহানবা, লেনিননা অনীশুবা অমসুং দিন্তানলুননা অহুমশুবা তাখিবগা লোয়ননা মেন্স দব্বলদা লেনিন অমসুং থোমাসনা ফর্ষ্ট, সুসিল অমসুং দেবিদসননা সেকেন্দ, চিত্তরঞ্জন অমসুং ব্রোসন্না থার্দ তাখ্রে। ৱিমেন্স সিঙ্গলসতা নেমলুনকিমনা ফর্ষ্ট, সারোন নব্রামনা সেকেন্দ অমদি পি শুসিলানা থার্দ তাখ্রে। নুপাগী কেরোম মশান্নদা এম দি সরুক খাননা ফর্ষ্ট, কে ঐচ সৈত্য দাসনা সেকেন্দ অমসুং এন জি জয়কুমারনা তাখি। নুপীগী কেরোম মশান্নদা নেলুনকিমনা ফর্ষ্ট, সেরোন নাৱমনা সেকেন্দ অমসুং পি শুসিলানা তাখ্রে। নুপীগী ৱার্কিং রেষ্টতা ৱাই হেনথোইবীনা ফর্ষ্ট, আর কে জয়শ্রিনা সেকেন্দ, আই প্রিয়াঙ্কানা থার্দ অমসুং পি ঐচ প্রেসিকানা কন্সোলেসন প্রাইজ ফংখ্রে।

## ৱাটসএপতা শেল থাবা অথুবা...

*লামায় ১গী মখা...*কন্টেক্ট ময়াম অমা অমুক্তদা স্যের তৌবা য়াহল্লগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অনৌবা ফিচর অসি বেটা ষ্টেজদা লৈরি। কনাগুম্বনা চাংয়েং তৌনিংবা থোক্লবদি গুগল প্লেদা লোগ-ওন তৌরগা বেটা টেষ্টর ওইনা চাংয়েং তৌবা য়াগনি। অনৌবা ফিচর অসি এন্দ্রোইদ ভর্জর ২.১৭.১২২ নৎত্রগা ২.১৭.১২৩গীদমক ৱাটসএপ বেটা হায়না পুথোরকপনি।

## ‘কাংপোকপীদা টি বি মুখৎনবা পান্দম থল্লি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ : মালেম পুম্বদা ট্যুবর্কুলোসিস দে হৌখিবা মার্চ ২৪ দা পাঙথোক্লিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ততসু থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মালেমদা টি বিগী লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবা অমদি লায়না অসি মরূ ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা টি বি নুমীৎ পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌থ সোসাইটি, কাংপোকপীনা লিভ নো ৱান বিহাইন্দ হায়বা থীমদা দি সী ওফিস কমপ্লেক্স, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদকার্টরসতা থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা টি রঞ্জিৎ, আই এ এস, দেপ্যুটি কম্মিস্নার, কাংপোকপীনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি অমদি কাংপোকপীগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. টি ঐচ সুরচন্দ্র অমসুং ডা. ৱাই বিরেন্দ্র, এসিষ্টেন্ট প্রোগ্রাম ওফিসর ষ্টেট টি বি সেল, দিরেক্টোরেট ওফ হেল্‌থ সার্ভিসেস মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

দি এল ওশিং, আশা ৱার্কর্সশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী হেল্‌থ ৱার্কর্সশিং, এদিসনল দি সী, কাংপোকপী ঐচ বালকৃষ্ণ, ডা. এল জয়কুমার, দিষ্ট্রিক্ট ট্যুবর্কুলোসিস ওপিসর কাংপোকপী, এস দি সী হেদকার্টরস কাইগৌলাল কিপজেন অমসুং সিনিয়র এম ও ইন-চার্জ সী ঐচ সী কাংপোকপী ডা. ঐচ খমখানপৌ সিমতেনচিংবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা ডা. এল জয়কুমারনা হায়খি, ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না ট্যুবর্কুলোসিস অসি ৱর্ল্ডগী খ্বাইদগী হেন্না মী শিহল্লিবা লৌনগনবা লায়না অমনি। চহী ১৪ গী মখাদা লৈবা অঙাং মিলিয়ন কয়া চহী খুদিংগী শিরি অমদি মালেমগী ওইবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহল্লিবা লায়নাশিংগী মরক্তা য়াওরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ তা মালেমগী ওইনা মীওই লাখ ১ হেন্না শিখি। ইন্দিয়া অসি মালেমগী ওইনা টি বি খ্বাইদগী নাবা মীওই য়াম্না লৈবা লৈবাক তরক্কী মনুংদা অমা ওইরি। মালেমগী ওইনা টি বি লায়নানা নাবা মীওইশিংগী চাদা ৬০ দি লৈবাক অসিদা লৈরি। মরম অদুনা কুমজা ২০২৫ তা টি বি লায়না লৈহন্দনবা থল্লিবা পান্দম অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লনবা চঙশিল্লকপনি। ইন্দিয়াগী ওইনা টি বি লায়নানা নাবা অঙাংশিংগী মশীং য়াম্না কিনিংঙাই ওইবা চাংদা হেনগৎলক্লি। চহী ৫ গী মখাদা লৈবা অঙাং কয়া ও পি দিশিংদা টি বি লায়না লায়েংবা লাক্লি। অসিগুম্বা মওং অসি লাইবক থীবনি। টি বিনা নাহল্লবা অঙাংশিং মপুং ফানা লায়েংগদবনি। লোয়ননা লায়না অসিগী মরমদা মপুং ফানা খঙহনবা ৱাৎলিবা অসি খঙহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। লু-নান্দবা অমদি অতোপ্পা মরম কয়ানা ঐচ আই ভি লায়নানচিংবা নাহল্লক্লি। য়ু, হিদাক মনানচিংবা শীজিন্নবা অমদি দাইবেটিস লায়নানা টি বি লায়না লৌননবগী মরুওইবা মরম ওইরি হায়না ডা. এল জয়কুমারনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৮৮২ গী মার্চ ২৪ দগী চহী খুদিংগী ওইনা ৱর্ল্ড ট্যুবর্কুলোসিস দে পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ডা. রোবার্ট কোচনা ট্যুবর্কুলোসিসকী মহিক পুথোকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা ট্যুবর্কুলোসিস লায়না লায়েংনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল নম্বর ৱানগী...

*লামায় ১গী মখা...* নুংশিবগী নাম্মাদা এসোসিএসন কয়া শেমদুনা মীওই লিশিং কয়া পুথোরকপদগী অসিগুম্বা ফীভমশিং অসি ওইহল্লকপনি। মতম চানা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎহৌদবদগী থোকপা ঙাক্তনি। নুপী কৈথেলশিং অসি শাবা লোইদুনা হোংজিল্লকপদগী কৈথেলশিং অসি শিদরক্তুনা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মরমদি কৈথেলশিং অসিগী অকোয়বদা অহাংবা অমত্তা লৈতনা নিয়ম লান্না ফমজিল্লক্লিবা মীওইশিংনা ঙা, মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ অমদি ফিরোলনচিংবা খুদিংমক অমত্তা চিথদনা য়োনশিল্লকপনা কৈথেল মনুংদা ফল্লিবা মীওইশিংগী নোংমগী চরা ফাওবা তানবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। কৈথেলশিং অসি শাদ্রিঙৈদা কৈথেলগী ওইবা নিয়মশিং ঙাম্না চৎলম্মী। লমদম অথাপ্পদগী পুখৎলকপা ঙা, মনা-মশিং, ফিরোলনচিংবা পোৎলম খুদিংমক কৈথেল মনুংদা থারম্লগা হনখিবা ঙাক্তনি অদুবু হৌজিক্তি চাউখৎলকপা অমদি ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম ফগৎলকপগা লোয়ননা লমজাও সোড়োক্তা ফম্বা য়াবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অয়ুক অঙনবা পুং ৩ দগী নুমীদাং পুং ৯ ফাওবা য়োনশিল্লকপনা মনুংদা পোৎ শিৎতদুনা পোৎফম ফম্বা ঙমদবগা লোয়ননা শিথরক্ক বগী মরম ওইহল্লকই।

কৈথেল মনুং অমদি মপান ঙাইহাক লৈতনা খৎন-চৈনবা য়াওদুনা ঈরাং থোক্তুনা লাক্লি। নুপী কৈথেল অহুম অসিদা লৈঙাক্লা ওথোরাইজ তৌবা লাইসেন্স পায়দুনা ফল্লিবা মীওইশিং অসিসু নোংমগী চরা তান্দুনা মচা-মশু শেম্বগা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা শরুক য়ারিবা ঙাক্তনি। পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরক্লবা নুপী কৈথেলশিং অসিগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং হিংনবা হোৎনবদা কৈথেল মনুংগী কার্দ হোল্ডরশিং হাৎনবা হোৎনবা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কার্টরস খুদিংমক্তা ইমা কৈথেলশিং শাননবগী অয়াবা লৈরে হায়বা ৱাফমসু চীফ মিষ্টিরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তগী লাকপা মীপুম খুদিংমক্কী মফম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পীবা হায়বদুদি ওইথোক্লোইদবনিনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা নুপী কৈথেলশিং অসিগী ফীভম ফগৎনবা মার্কেট পোলিসী শেম্বীদুনা তুং কোয়বা সোল্যুসন পুবীরক্লবা নীংশিংজরি। লমদম অসিদা মতম মতমগী পাল্লক্লিবা লৈঙাক অদু মীয়ামগীদি মপী-মপানি। মসিনা মরম ওইদুনা ইমা কৈথেলগী ইমা-ইবেলশিংনা অনিংবা অপাম্বা খরা ফোঙদোকচবদা কৈথেল অসিদা হিংনবগী লানফমদা চরা অমগীদমক লাম্থেংনরিবা কৈথেল ইমাশিংবু লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহন্নবা মওংদা মীদিয়াদা মহুদ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকপা ৱাফমসি লাইবক থীবনি। লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা ইমা কৈথেলগী ইমাশিংনা শৌগৎচগনি লোয়ননা অঙম্বনি হায়দুনা ইমা-ইবেলশিংগী অপাম্বাগী মায়োক্তা থবক তৌবীরক্তনবসু আপিল তৌরি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা কৈথেল নম্বর ৱানগী কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা সী এম ওফিস চেম্বরদা উনদুনা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা খঙহনখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনসু থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## য়ু কে এল এগী প্রসিদেন্ট য়াওনা...

*লামায় ১গী মখা...*শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। লম্ফেল পি এসতা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা অককুবা পাউ খরা ফংবদগী নার্কোটিক এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দরগী টিম অমনা ফেক দোক্যুমেন্ট কয়া শাবা কাঙবু অমা ফাবা ঙম্লে। ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা সঙাকফম বজারদা থি-হুন্বগী থবক চত্থবদা ফাখিবা মীওই অদুদি খোইবম জয়চন্দ্র এলিয়স সুর (৩৯), অপোকপা কে ঐচ চাউবা, লাইফম খুন্নৌ মনিং লৈকায়নি। মহাক্না সঙাকফমদা লৈবা এম এস সুর ফোটো ষ্টেদিও হায়বা অমগী মিংদা ফেক দোক্যুমেন্ট কয়া শাখি। অশাবা দ্রাইভিং লাইসেন্স, পান কার্দ অমদি স্মার্ট কার্দনচিংবা শাবদা চেন্নবা মীওইনি হায়নসু মখা তাখি।

মরকসিদা তেরা লুক্রাম লৈরক্তগী এস দি এস ব্রিক ফিল্ডগী প্রোপ্রাইটর সোইবম ধনবিরবু কিদনেপ তৌবদা চেন্নবা মীওই খরসু ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদি চোংথাম ইবোমচা (৪৩), অপোকপা লৈখিদ্রবা মনি, তাওথোং অয়ুংবা মনিং অমদি নিংথৌজম ওজিৎ (৪০), অপোকপা লৈখিদ্রবা জয়কুমার, তেরা সাপম লৈরকনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নোনে ভিলেজদা পলস পোলিও ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস) : লোক্তাক বৃগেদকী মীৎয়েং মখাদা নোনে বট্টালিয়ন্না নোনে ভিলেজদা পলস পোলিও ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

নোনে প্রাইমারী হেল্‌থ সেন্টরদা খুৎশম্নদুনা কেম্প অদু পাঙথোক-খিবনি। চহী ৫ গী মখাদা লৈবা মশীং য়াম্লবা অঙাংশিংদা পোলিও দ্রোপশিং পীথকখি।

থৌরম অদুদা য়ুনিট মেদিকেল ওফিসরনা মীয়ামদা ভেক্সিনেসনগী মরুওইবশিং অদু শুগায়না খঙহনখি। ৮-অসাম রাইফলসনা পায়খৎখিবা অসিগুম্বা য়াইফ থৌরাংগী থবক অসিবু নোনে এরিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লুখি। অসিগুম্বা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা পাঙথোকপা কেম্প অসিনা মীয়ামগী থাজবা শাগৎপা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোক্লুখি।

মেদিকেল ওফিসরনা মতুংদসু লমদম অসিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা প্রোগ্রাম কয়া য়ুনিট অসিনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি হায়বা পি আই বি দিফেন্স ৱিং, ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়রি।

## ট্রাইবেল এফেয়র্সকী মখাদা চল্লাইবা...

*লামায় ১গী মখা...* অয়াম্বা ফংফম থোকপা চাকথুং হৌখিবা কুমজা ২০০৯দগী ফংবা ঙমদনা লাক্লি। মরম অসিনা ফীভম শোকচিল্লবা আশ্রম স্কুল অসিদা তম্লম্বা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা স্কুল অসিগী তোক্লগা লৈঙাক্লা চল্লাইবা অমদি লন্নাই স্কুল কয়াদা তম্নখিবদগী নোংমা নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লি।

মণিপুরদা চল্লাইরিবা আশ্রম স্কুলশিং অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিস ওইরিবা লম্ফেলপাৎতা লৈবা হেদ ওফিসতা লৈরিবা দেপ্যুটি দিরেক্টর অসিনা মখা তানা হায়খি, হৌজিক ফাওবা স্কুল মঙা অসিদগী মহৈরোয় ১৮৭৬ মেট্রিক পাস তৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা ৪০, সেকেন্দ দিভিজন্দা মহৈরোয় ৭৮০ অমসুং থার্দ দিভিজন্দা মহৈরোয় ৮৭৩নি।

স্কুলশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী হিলস এন্দ ট্রাইবেল এফেয়র্স দিভলপমেন্টকী মখাদা চল্লাইবনি। হৌগৎলকপা মতমদা স্কুল অসিগী টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিং, মহৈরোয়শিংগী পীফম থোকপা ন্যুত্রিসন ভেল্যু মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক, টেক্সবুক, য়ুনিফোর্ম অমসুং ষ্টেসনরি আইটেমশিং নীংথিনা পীরমই। মহাক মশাসু মরামদা কুমজা ২০১৩-১৪দা ওজা ওইনা থবক তৌরমই। মতমদুদগী হৌনা মিনিষ্ট্রিনা পীরকপা চাকথুংশিং হাপ্লবসু স্কুলশিংদা পীরক্তবদগী মহৈরোয় অয়াম্বা মহৈ তম্বা তোক্লবা হৌরকখিবনি।

আশ্রম স্কুলশিং অসিগী অপুনবা টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফ য়ালনা পুন্না ষ্টাফ ৮৪ থবক তৌরমই। মখোয়গী মনুংদা টিচিং ষ্টাফ ৩৯, মিনিষ্টিয়েল ষ্টাফ হায়না খঙনবা এল দি সী, য়ু দি সী, হেদ ক্লক মরি অমসুং গ্রেদ ফোরগী ষ্টাফ ২৪ পুন্না ষ্টাফ ৮৪ লৈরমই। অদুবু হৌজিক ষ্টাফ ১২ থবক্তগী পোথাখ্রে। মখোয়গী মহুৎ হাপচিনবগী ৱাফম লৈতে। মহাক মশশসু চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা পেন্সন ফংলগনি হায়খি।

মহৈরোয়শিংগী তঙাইফদনা পীফম থোকপা পোৎলমশিং অমসুং পেন্সন চৎখ্রবা ওজাশিংগী অৱাৎপা মতম মতমগী ওইনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা থাগৎলবসু থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবনা করি তৌগদবনো খঙদে। মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লূচিংবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদ্রবদি আশ্রম স্কুলশিংগী ফীভম করি ওইরক্কনি হায়বা ঙমদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০৬-০৪-২০১৭, শগোলশেন, শজিবু ১০ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ০৯.১৫ দগী ১১ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি অৱাং, অয়ুক্কী পুং ০৯.১৫ দগী মৈরম

**মেষ** ঃ ঙমদবা থবক ঙমজবা, মরুপ য়াম্বা, ময়াম্না নুংশিবীবা লৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা লৈ, অনৌবা থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল চান্নবা, নুংঙাইবা মতাংনি।
হকচাং ঃ শিংলি, শরূ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

**বৃষ** ঃ কান্নবা ৱাৎপা মতাংনি, লাংতক্লবা, শাউনিংবনা য়ামগনি, খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ।
লাল্লোল ঃ হিদাক, লমগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ য়েংশিনবা য়াম্মী, নীংবদি থুংগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন** ঃ কান্নবা, ঈকায়বা নংবা লৈ, অকি অখঙ লৈগনি, ইমুংদা নুংঙাইজবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ অরংবা, সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবা থুংগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী, খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।

**কর্কট** ঃ শাউনিংবা পীবা, চরাংনবা লৈ, য়েংশিনবা য়াম্বা ওইরি, কান্নজবদি লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরংবা, অকে অমৌগী থবক্তা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা, পামদবা মীওইনা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎ, কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**সিংহ** ঃ নুংঙাইবা পাউ লৈগনি, চরাংনবা লৈ, ইচিল ইনাওগা শাউনবা, শেল চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ফিরোল, অরংবা পোৎতা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনিংবা পোকহনবা, পূক্নিং লাংবা লৈগনি।
হকচাং ঃ থবাক, মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, ঘী।

**কন্যা**ঃ মীগা মুক্ননিংবা মতাং ওইরি, খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ, লমদা চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ শেল, সনাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা লৈ পূক্নিং তপ্পা চৎপা ফৈ।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈদগী শোকপা নাবা মতাংনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, থোইদিং অঙৌবা।

**তুলা**ঃ মীপায়বা ফাওবা, থবক অনীরক হন্নবা মতাংনি, শেল চৎকনি, তপথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ মৈগী, হিদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ, খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙাঙবা।

**বৃশ্চিক** ঃ ইমুংদা শাউনবা লৈ, মরী মতা মথক থোংবদগী কান্নজবা, মীগা মুক্নবা লাক্কনি, পূক্নিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, হেনগৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্ন-চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ য়াংলেন খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**ধনু** ঃ চৎপনা হেল্লকপা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি, মীনা থাজবা ৱাৎকনি।
লাল্লোল ঃ শেল, সনা লুপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনীংবা মঙফাওনবা মতাংনি।
হকচাং ঃ ফিরাক, পুক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ হৱাই মুগ, ঘী।

**মকর** ঃ খঙহৌদনা অহোংবা লাকপা, লমদা চৎপা, শেল চৎকনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাঙাঙদগী অকায়বা লাকপা লৈ, চেকশিনবীয়ু।
হকচাং ঃ মৈগী অকিবা লৈগনি, খরা চেকশিনবীয়ু।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**কুম্ভ** ঃ মীনা ঙাঙবা তানিংদবা, করিসু নত্তবদা শাউনিংবা, থবক্লা য়াম্বা তৌবদি ঙমদবা ওইরি, পূক্নিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ অরংবা সনা লুপাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মরুপনা য়েংশিনবা, মীৎয়েং চঙবা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎ, উনসদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মিন** ঃ মীনা তাথিবা, লন লেপ্পা ঙম্বা লৈ, তৌরুবা থবক্তা খরা চাউখৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লোংবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।